**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 18.05.2024)**

**কামজোং (এল)ঃ** কামজোং জিলাদা নৌনা ম্যান্মার মচা ২০০ রোম চেনশিল্লক্তুনা লৈরে হায়রি। মখোয় অদু অয়াম্বনা নুপী অমসুং অঙাংশিংনি।

ঐখোয়গী উখ্রুল পাউমী-সোথিং সিমরেনা হায়-মমাং থা ফাওবদা ম্যান্মারদগী মনিপুরগী কামজোং জিলাদা চেনশিল্লকপা মীওই লিশিং ৫ হেনখ্রবনি। মসিগী মথক্তা নৌনা য়ুমথংনবা ম্যান্মারদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাংনা মরম ওইদুনা লৈবাক অদুদগী আইননা য়াদবা মওংদা ম্যান্মার মচা ২০০ রোম চংজফম লৌনবা চেনশিল্লক্লে হায়রি। মখোয় অদু ভারত লান্মী অমসুং ষ্টেট পুলিসনা ৱাংলি, নমলি অমদি কাকা ভিলেজশিংদা হাংবা রিফ্যুজি কেম্পশিংদা থমলি। নৌনা চংল্লক্লবা রিফ্যুজিশিং অসিগী বাইওমেত্রিক লৌবগী থবক দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা নীংথিনা পায়খৎলি। মখোয়বু বাইওমেত্রিক লৌবা অমসুং নারোন্দা চংশিল্লকপশিং চেকশিন্না য়েংশিল্লিবা কসোম খুল্লেনগী এস.দি.সি-থাংশিংনা হায়-

**সোট (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী খুম্বোং প্রাইমারি হেলথ সেন্টর মমাংদা ঙসি অয়ুক শকখঙদবশিংনা মীওই অমা নোংমৈনা কাপ্লল্লে।

পুলিসকী পাউনা হায়-মীওই অদু জিলা অসিগী তাকয়েল খোংবানদগীনি। মহাক শকখঙদবশিংনা ঙরাং নুমিদাং ফাখ্রবা মতুং ঙসি নোংমৈনা কাপ্লগা হুন্দোক্লম্বনি। হৌজিক রিমস হোস্পিতালদা লায়েংলি।

**এরেষ্ট (এল)ঃ** মনিপুর পুলিস অমদি অসাম রাইফলসকী অপুনবা খুৎপু অমনা ঙসি কাংপোকপী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা আই.টি. রোডকী আইট মাইলস এরিয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুদা-নাইন এম.এম. করবাইন মেছিন অমা, নাইন

এম.এম. পিষ্টোল অমা, পোইন্ট থ্রি টু পিষ্টোল অমা অমদি তোঙান তোঙানবা নোংমৈশিংগী মেগজিন অমদি মরুশিং য়াওরি।

**ই-ৱেজ (এল)ঃ** ই-ৱেজ মতৌ করমা অমদি নীংথিনা তাশিন-খোমজিনদুনা লোয়শিনগদগে হায়বগী মতাংদা মীয়ামদা লৌশিং পীবগী থৌরম অমা ইম্ফালগী মনিপুর কলেজতা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মনিপুর কলেজ অমদি কারো সমভব প্রাইমেট লিমিটেদকা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ইলেক্ট্রোনিক্কী হুন্দোক্লবা পোৎলমশিংনা মহৌশাগী ফিভমদা অকায়বা পীবা অমদি মসিবু করমা লোয়শিনগদগে হায়বগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

**মীফম (এল)ঃ** মনিপুরদা ত্রান্সজেন্দরশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অমদি মসিবু করমা কোকহনগদগে হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা থৌবাল জিলাগী ৱাংজিংদা লৈবা ৱাই.কে. কলেজতা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা চেরোলশিং পাথোকখি।

**মীলাল (এল)ঃ** স্কুলগী মহৈরোইশিংদা মীতৈ ময়েক তম্বা হৌখিবগী ১৯ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি মীলালগী ময়াই লোইশঙদা পাঙথোকখ্রে। নুমিৎ অসি নীংশিংবগী মরুওইবা মরমদি, মীতৈ ময়েকপু মহৈরোইশিংদা পামহনবগা লোয়ননা ময়েক অসি মীয়ামদা নীংথিনা খঙহনবনি।

**কন্দেম (এল)ঃ** তমেংলোং জিলাগী তৌসেম সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা ফাইতোলদগী মীওই অমা ঙরাং জিরি তুরেলদা শিনা তাউথরকপগী থৌওং অদুবু য়ুনাইটেদ জিরি য়ুথ লিগ অমদি জিরি দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসননা য়ামা কন্না

য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওইশিং কুপা থিদোক্তুনা মরাল লৈবশিং দন্দি পীনবা য়ুনাইটেদ জিরি য়ুথ লিগনা মরি লৈনবশিংদা আপিল তৌরি। থৌদোক অসিনা জিলা অদুদা লৈমিন্নরিবা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা শান্তি কায়রকপা য়াবা থৌদোক অমত্তা থোকহনগুমসি হায়রি।

**য়ুএনএলএফ (এল)ঃ** আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ য়ুনাইটেদ নেসনেল লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ু.এন.এল.এফ) কী চহি খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎতা লৈবাক্কী নীংতম্বা ঙাকবগীদমক থৱায় কৎখিবশিংগী মফমদা য়াওলগী ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

লুপ অসিগী সেক্রেটরি পাব্লিসিটি-এম. শকহেননা থোকপা চেরোল অমদা হায়-থৌরম অদুদা লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎথোকখ্রবা মীচম মীয়ামশিংগী মফমদসু ইকায় খুমবা উৎখি।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুনা নোংমাইজিং নুমিৎ খুদিংগী অকাশবানি ইম্ফালগী মেদিয়ম অমদি এফ.এম. চেন্নেল অনিদা অয়ুক পুং তরুক মিনিট ৪০ দা শন্দোকপা অখন্নবা থৌরমদা হয়েং-‘ইনাৎকা মরী লৈনবা পান্বীশিং অমসুং মখোয়গী কান্নবা’ হায়বা থৌরম অমা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি য়ু ট্যুব চেন্নেল অকাশবানি ইম্ফালদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি।

**ম্যুজিয়ম (এল)ঃ** মালেমগী অতে মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মনিপুরদসু মালেমগী ম্যুজিয়ম নুমিৎ ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মপুং ওইবা থৌরম রাজ্যাগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী মখাদা মনিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়মনা শীন্দুনা ইম্ফালগী ষ্টেট ম্যুজিয়মগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখি ।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নার-এম. জয়না হায়-

ম্যুজিয়মগী মতেংনা মমাংঙৈগী মতমদা মীওইবনা মতৌ করমা হিংলম্মী হায়বদু হৌজিক্কী মীরোলনা ইরাই লায়না খঙবা ঙম্মী। মসিনা তোঙান তোঙানবা হিংমিন্নরিবা ফুরুপ মশেলগী ওইবা নাৎ অমদি চৎনবী কয়াসু খঙহনবা ঙম্মী। লাইরিক ওইনা ইদুনা থম্ববুদি আর্টি ফেক অমনা হেন্না মগুন লৈবা হেল্লি। মসিনা মীয়ামদা ইরাই লায়না খঙহনবা ঙম্মী। মরম অদুনা, ম্যুজিয়মবু য়োকখৎতুনা থম্বদা মীয়ামগী মতেং তঙাইফদে।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়মগী অকোইবদা উ থাবা অমসুং ইগজিবিসন পাঙথোকখি। ম্যুজিয়মগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা অখঙ-অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি। মহৈরোইশিংগা অখঙ-অহৈশিংগা হকথেননা উন্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

থৌরম অসিগী মতাংদা মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়মগী ক্যুরেটর- ত্রিনাশ্রি মাইরেনবমনা হায়- কোলকাতদা পাঙথোক্লিবা ইন্তরনেসনেল ম্যুজিয়ম এক্সপোদা মণিপুরনা শরুক য়াদ্রবসু থৌরম অসি রাজ্য অসিদা ওইনা পাঙথোক্লে। থৌরম অসি মরুওইনা সমাজদা ম্যুজিয়মনা লৌরিবা থৌদাং অসি মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবা পাঙথোকপনি।

মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী সেন্ত্রেল ম্যুজিয়মদসু ঙসি মালেমগী ম্যুজিয়ম ডে থৌরম পাঙথোকখি। ম্যুজিয়মস ফোর এদুকেসন এন্দ রিছার্স হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা য়ুনিভরসিতি অসিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার- এন. লোকেন্দ্র সিংহ য়াওনা ওজা অমসুং মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

**ডে (এল)ঃ** মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম থৌবাল জিলাদসু দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিস-থৌবালনা শিনদুনা মালেমগী বাইও দ্রাইভরসিতি ডেগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরমগা মরী লৈননা জিলা থাক্কী স্পোট পেন্টিং কম্পিটিসন, দিষ্ট্রিক্ট ফোরেষ্ট ওফিসার থৌবালগী হোলদা পাঙথোকখি।

**কোবিদ (এল)ঃ** মনিপুরদা কোবিদ নাইন্তিনগী পোজিটিব কেস অমা থেংনদুনা পোরোম্পাৎতা লৈবা জেনিমস হোস্পিতালদা লায়েংল্লকখিবা মীওই অদু নাবা ফদুনা দিচার্জ তৌখ্রে।

হায়রিবা মীওই অদু থা অসিগী ১০ দা কোবিদ নাইন্তিন পোজিটিব কেস ওইবা থেংনদুনা খুদক্তা অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা জেনিমসতা লায়েংদুনা লাকপনি। হীরম অসিগী মতাংদা রাজ্য সরকারগী ষ্টেট ইপিদিমোলোজিস-ডা: ভারতি মৈত্রমনা অকাশবানি ইম্ফালনা অসুমা হায়-

**এআর (এল)ঃ** মালেমগী হাইপরটেন্সন নুমিৎকা মরী লৈননা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা য়াইঙংপোকপীদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা অমদি মনাক নকপদা লৈবা খুঞ্জাশিংগীদমক অখন্ননা পাঙথোকপা কেম্প অদুদা মীওই কয়ামরুম লায়েংখি অমদি হিদাক লাংথকশিং লেমা য়েন্থোকখি।

অমরোমদা, কাংপোকপী জিলাগী এল. হেংজোল ভিলেজতা লৈবা স্কুল অমদা অসাম রাইফলসনা সিলিং ফেন য়াওনা অতৈ তঙাইফদবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

**প্রিজম (এল)ঃ** কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুরনা লৌবা কুমশি চহিগী ক্লাস টুয়েল্ব পরিক্ষাদা মার্ক ৱাংনা ফংল্লকখ্রবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী নাউরেমথোং বজারদা লৈবা প্রিজম হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোইশিংবু পুকিং থৌগৎপা অমসুং মনা-মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

সেন্ত্রেল বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন (সি.বি.এস.ই) না লৌবা হন্দক ফল লাউথোকখিবা ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্ব পরিক্ষাদা চাদা ১০০ মার্ক ফংবগা লোয়ননা মকোক মথং তারবা কানন দেবী স্কুল ইম্ফালগী মহৈরোইশিং তরামা ওকপগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

**তমেংলোং (এল)ঃ** তমেংলোং জিলাদা সার্ভিস তৌরিবা জিও, বোদাফোন, ইয়ারটেল অমসুং বি.এস.এন.এলগী মোবাইল দাটাগী ফিভম য়েংশিনবীনবা রোংমৈ নাগা কাউন্সিল-মনিপুরনা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারদা তকশিল্লি।

মফম অদুদা মোবাইল দাটা য়াদবনা মরম ওইদুনা থবক থৌরম কয়া পাঙথোকপদা অপনবা ওইরে হায়রি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** অসুফি সি-স্কুল মাওনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট লেবেল সুব্রোতো কপ অন্দর সভেন্টিন ফুটবোল টুর্নামেন্ট-২০২৪ গী চেম্পিয়ন ওইরে। ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা অসুফি সি-স্কুলনা মাওন্ট জিওন স্কুল-সেনাপতিবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** লমলোং থোংখোং আর্টিফিসিএল তর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৬ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগকী ঙসিগী মেটচতা নিশানা এঠলেটিক্স ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** বিষ্ণুপুরগী মিণি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ১৭ শুবা এন. বালানন্দা সিংহ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন অন্দর সভেন্টিন বোইজ ফুটবোল লিগকী ঙসিগী মেটচশিংদা সাই-এস.এ.জে উৎলৌ অমসুং টি.জি.ই.এস. পাঞ্জল অমত্তা চন্নবদা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা সি.আর.এ.য়ুনা ওইনাম স্পোর্টস এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

**কাং (এল)ঃ** অহানবা ককচিংতাবম কুঞ্জবি শর্ম্মা মেমোরিএল লিগ কম নোকআউট কেন্দ্রৱাইজ কাং টুর্নামেন্ট-২০২৪ গী ঙসিগী মেটচতা থাংমৈবন্দ

কাংখুৎনা শিংজমৈ (এ) কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৩-১১ দা থোইখ্রে।

হয়েং খুন্দ্রাকপম কাংখুৎ অমসুং খুন্দ্রাকপম পুথিবা কাংখুৎ শান্নগনি।

**বোক্সিং (এল)ঃ** থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এম্যেচর বোক্সিং এসোসিয়েসননা শিনদুনা থা অসিগী ২০ ফাওবা নুমিৎ হুমনি চথ্থগদবা মরিশুবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ ঙসিদগী ৱাংজিং হৈতুপপোকপী অৱাং লৈকাইদা লৈবা মহেশ বোক্সিং একাডমীদা হৌখ্রে। পুন্না বোক্সর ৬৫ না শরুক য়ারি। হৌদোকপগী থৌরমদা সুরজাকুমার-এম.এল.এ. শরুক য়াখি।

**ইলেক্সনঃ** ৫ শুবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলগী ভোট খোম্বগী মতম ঙসি নুমিদাংৱাইরম লোইখ্রে। নিংথৌকাবা নুমিৎতা ভোট থাদনগনি।

তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ৬ অমসুং য়নিয়ান তেরিতোরি অমগী পুন্না লোক সভা কেন্দ্র ৪৯ দা ভোট থাদনগনি। মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা সিটশিং অদুদি-উত্তর প্রদেশ অমসুং পঞ্জাবকী সিট ১৩-১৩, নোংচুপ বেঙ্গলগী সিট ৯, বিহারগী সিট ৮, উরিষাগী সিট ৬, হিমাচল প্রদেশকী সিট ৪, ঝারখন্দগী সিট ৩ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি চান্দিগরগী সিট ১ নি।

বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি হরিয়ানাদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অনিদা শরুক য়াখি অমদি বি.জে.পি. মীরেপশিংগী ভোট খোমখি। মহাক্কী অম্বালা অমসুং সোনিপথ খোঙচৎকী য়েংলগা মফমশিং অদুদা সি.আর.পি.সিগী ধারা ১৪৪ গী মখাদা অথিংবা থমখি। অকনবা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাং মরক্তা শ্রী মোদিনা মীখলগী রেল্লিশিংদা ৱা ঙাংখি।

হান্নগী কেন্দ্রগী মন্ত্রি লৈখিদ্রবা-রতনকাল কতারিয়াগী লোইনবী বালকা কতারিয়া অম্বালা সিটকীদমক মীরেপ ওইরি। অদুগা মোহন লাল বাদোলিনা সোনিপথ লোক সিটকীদমক মীরেপ ওইরিবনি।

অমরোমদা, কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিসু উত্তর প্রদেসকী বরাবনকি

লোক সিটতা কংগ্রেস মীরেপকীদমক ভোট খোমখি।

**কেজ্রিৱালঃ** দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি অরবিন্দ কেজ্রিৱালগী পি.এ. বিভব কুমারবু এম.পি. স্বাতি মালিৱালদা খুৎ থারুবগা মরী লৈননা দিল্লি পুলিসনা ফাজিনখ্রে। মহাকপু দিল্লিগী সিভিল লাইন্স পুলিস ষ্টেসনদা পুখি।

মদুগী মমাংদা, মহাকা খুৎ থারুই হায়রিবা নুপী এম.পি. মালিৱালনানা দিল্লি পুলিসতা মহাকপু ওৎপী-নৈবিখি হায়না মরাল শিবগা লোয়ননা ৱাকৎখিবনি।

অমরোমদা, নুপী এম.পি. অদুনা অরবিন্দ কেজ্রিৱালগী ময়ুমদা নমদুনা চংশিল্লকই হায়বগী মরালদা মুখ্য মন্ত্রিগী পি.এ. বিভব কুমারনা পুলিসতা অতোপ্পা ৱাকৎ অমসু পীখৎলকখি।

মরক অসিদা, থৌওং অদু বি.জে.পিগী খুজিল থৌরাংনা ওইহনখিবনি হায়না আম আদমি পার্টিনা মরাল শিরি। ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংদা দলগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমদি দিল্লিগী মন্ত্রি-অতিসিনা হায়-নুপী এম.পি. স্বাতি মালিৱালবু দিল্লি কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী কন্ট্রেক্ট কর্ম্মচারি লৌবদা আইননা য়াদবা মওংদা থবক চথখি হায়না করপসন ব্যুরোনা কেস অমা ফাইল লৌখৎখিবনি।

**কিরগীস্থানঃ** কিরগীস্থানগী বিসকেটতা মপানদগী লাকপা মহৈরোইশিংগী মায়োক্তা হিংশাগী থবক চথুরে হায়বা পাউ ফংবদগী লৈবাক অদুদা লৈরিবা ভারতমচা মহৈরোইশিং মপান থোক্তনবা পাউতাক পীখ্রে। মসি ভারতকী মহৈরোইশিং অশোয় অঙাম থোক্তনবা লৌখৎপা খোঙথাংনি হায়রদুনা মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা হায়-ফিভম অদু ভারতনা কুপা য়েংশিল্লি। মফম অদুদা লৈরিবা মহৈরোহশিংনা ভারতকী এম্বেসিগা তত্তনা পাউ ফাওননবা খঙহল্লি।

কিরগীস্থানদা লৈবা ভারতকী এম্বেসিনসু হৌজিক লৈবাক অদুদা ওইরিবা ফিভম অদু য়েংলগা পুং ২৪ চুপা ইমর্জেন্সি কন্টেক্ট নম্বর অমা হাংদোক্লে। মদুগী টেলিফোন নম্বরদি-০৫৫-৫৭১-০০৪১ নি। মফম অদুদা হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা থোকখিবা হিংশাদা পাকিস্তানগী মহৈরোই মরি শিখ্রে, কয়া অমনা অশোক অপন নংখ্রে। মসি থা অসিগী ১৩ দা হোষ্টেলদা লৈবা মহৈরোইশিংগী মরক্তা চয়েৎনবা ৱাফম কয়া থোক্লকপদগী ওইরকখিবনি। খুদোংথিবা নংলবা পাকিস্তানগী মহৈরোইশিংনা মফম অদুদা লৈরিবা পাকিস্তান এম্বেসিদগী করিগুম্বা মতেং অমত্তা ফংদে হায়না মরাল শিরি।

**হিটঃ** লৈবাক অসিগী অৱাং-নোংচুপ থংবা, ময়াই থংবা অমসুং নোংচুপ থংবা শরুক্তা লাক্কদৌরিবা নুমিৎ খরনি অসিগী মনুংদা কা হেন্না শাবগী সমস্যা মায়োক রকপা য়াই।

মেট দিপার্টমেন্টকী পাউনা হায়-রাজস্থান, পঞ্জাব, হরিয়ানা অমসুং দিল্লিদা লাক্কদৌরিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবা কা হেন্না শাবগী সমস্যা মায়োকগনি। ফিভম অসি নোংপোক থংবা অমসুং নোংচুপ থংবা লৈবাক অসিগী শরুক খরদসু ফিভম অসি মায়োকগনি।

অমরোমদা, থা অসিগী ২৩ ফাওবদা লৈবাক অসিগী খা থংবা শরুক্তা অকনবা নোং চুরবা য়াই। মেট দিপার্টমেন্টকী পাউনা হায়-তামিল নাদু, পুদুচেরি, তরাইকাল, কেরলা, অন্ধ্র প্রদেস অমসুং করনাতক্তা লাক্কদৌরিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবা নোং চুগনি।

**টোল্ক ঃ** ভারত অমসুং য়ু.এ.ইগী ইন্দিয়া-মিদল ইষ্ট-য়ুরোপ ইকোনোমিক কোরিদোরগী মতাংদা অহানবা রাউন্দগী ৱারী শান্নবা লোইশিনখ্রে। লৈবাক অনিনা প্রোজেক্ট অসিগীদমক য়ান্নখিবা থা অহুমগী মতুংদা অৱাংবা থাক্কী মীফম অসি পাঙথোকখিবনি।

মীফম অসিদা ভারতকী মাইকৈদগী সিপ্পিং মন্ত্রালয়গী মকোক থোংবা মীওইশিং, পোর্ট অমসুং ৱাটর ৱেজ, কম্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রালয়গী মীওইশিং য়াওখি। এক্সাইজ অমসুং কষ্টমসগী সেন্ত্রেল বোর্দ অমসুং দিন দয়াল উপধ্যায় পোর্টকী মীওইশিংনা য়ু.এ.ইগী মরুওইবা সিপ্পিং হবশিংদা চত্তুনা য়েংখি। নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎ অসিদা খালিফা পোর্ট, ফুজাইরা পোর্ট অমসুং জবেদ আলি পোর্টকী মীওইশিংগা ৱাফম কয়া খন্নখি।